www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 14,569 | 22 Carat/g : ₹ 13,339 | 1 Kg Silver : ₹ 2,40,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,268 | WEATHER: Heavy Thunderstrom | Temperature 29/22°C | Sunrise: 04:44 AM Sunset : 05:57 PM | Petrol : ₹ 106.82 Diesel : ₹ 92.53 | GAS TODAY Page 3 | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 239 | IMPHAL, FRIDAY, AUGUST 7, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | ইরাই, ইঙেনগী ২৪ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঞ্জাক

স্কুলদদি চাংয়েং তৌদ্রিঙেদা পারা তম্মী, পুন্সিদদি চাংয়েং তৌরবা মতুংদা পারা তম্মী

## ৮০শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ মহৈ মশিনগী পুৱারী অমদি মণিপুরগী পুৱারীগা তৎন–থানবা য়াররোইদবা মহৈলোইশঙ অমা ওইরিবা ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ সাইন্স লিংখৎখিবগী চহী ৮০শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম ঙসি কোলেজ অসিগী সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোকখ্রে। ...মখা লমায় ৫দা...

## শাশিন্নবা য়ুনিভর্সিটি খঙদোকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিদা শাশিন্নবা য়ুনিভর্সিটি ৩২রোমগী মশক খঙদোকপা ঙমখ্রে হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এজুকেসন সুকান মজুমদারনা ফোঙদোকখ্রে।

শাশিন্নবা য়ুনিভর্সিটি ৩২রোম অসিগী মনুংদা খ্বায়দগী য়াম্না অরানবা মওংদা শাশিন্নবা য়ুনিভর্সিটি লৈরম্বা ষ্টেট অসি দিল্লি অমদি য়ু পিনা ওইরে। ...মখা লমায় ৫দা...

## কোষ্ট টু প্রেমিয়ম রেসিও হস্থখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ আই সি আই সি আই প্রুদেন্সিয়েল লাইফ ইন্সুরেন্সনা সেভিং কোষ্ট টু প্রেমিয়ম রেসিও চাদা ১৩.৬ এফ ৱাই ২০২৭কী ফার্ষ্ট কার্টরদা হস্থহনখ্রে হায়না আই সি আই আই সি আই প্রুদেন্সিয়েল লাইফ ইন্সুরেন্সকী চীফ টেক্নোলোজি ওফিসর গনেসন সৌন্দিরামনা ফোঙদোরকখ্রে। ...মখা লমায় ৫দা...

## জে এফ দিগী খোঙজং শৌগৎকনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্না ওগষ্ট ১৭তগী সেন্সস হৌগনি হায়না তৌরিবা অসিগী মায়োক্তা কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)না চঙশিল্লকপা খোঙজংদা য়ুনাইটেদ প্রোটেক্সন কম্মিটি (য়ু পি সি)না শৌগৎকনি হায়না কম্মিটি অসিগী কো কনভেনর খোমদ্রাম সুনিল ...মখা লমায় ৫দা...

# মণিপুরগী দেমোগ্রাফিক প্রোফাইলগী মতাংদা লৈঙাক্না কন্সলটেটিভ মীফম পাঙথোক্কদৌরি

### মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তা ৱারেপ লৌরক্লবদি সেন্সস বোইকোট তৌগনিঃ জে এফ দি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা মণিপুরগী দেমোগ্রাফিক প্রোফাইলগী মতাংদা থা অসিগী ৭তগী হৌদুনা নুমিৎ নিনি চুপ্না কন্সলটেটিব মীফম অমদি সেমিনার পাঙথোক্কদৌরি।

সেন্সসকী মাঙওইননা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি) অপদেট তৌনবগী ৱাফম তুংওইনরগা লৈঙাক্না লমদমসিগী মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তা ৱারেপ লৌরক্লবদি মণিপুরদা সেন্সস বোইকোট তৌগনি হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)না অকনবা ৱাফম থল্লক্লি।

জে এফ দিগী ৱাংখৈদা লৈবা ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা জে এফ দিগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা হায়, মণিপুরদা সেন্সসকী থবক থৌরম পায়খৎত্রিঙৈদা এন আর সি অপদেট তৌনবগী চপ চাবা ফিরেপ অমা লৈঙাক্না থা অসিগী ৬ ফাওবদা মীয়ামদা খঙহল্লু হায়দুনা মতম থাখিবনি। অসিগুম্বা চৈরক অসিদা থা অসিগী ৭ অমদি ৮দা লৈঙাক্না শীন্দুনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা খন্ন–নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়না চেবাও থারকপা লৈরে। লৈঙাক্না কৌরক্লবনিনা মীফম অসি শরুক য়ানবা জে এফ দিগী মায়কৈদগীসু লেপ্লে। অদুবু নুমিৎ নিনি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা লমদমসিগী মীয়ান্না তান্দুনা লাক্লিবা দিমান্দগী মায়োক্তা ৱারেপ লৌরকপা তারবদি হান্না মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না সেন্সস বোইকোট তৌবগী খোঙজং অদুমক চঙশিনগনি। জে এফ দিনা লৌখিবা ফিরেপ হোংবা লৈরোই। এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা মণিপুরদা সেন্সস পাঙথোক্তনবা লৈঙাক্না হোৎনগদবনি হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবা অদু শরুক য়ারদুনা জে এফ দিগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি লোংজম রতনকুমারনা হায়, এন আর সি অপদেট তৌদুনা মীতোপ খন্দোক্লবা তুংদা সেন্সস পাঙথোকপা হায়বসি লমদমসিগী মীয়ামগী ...মখা লমায় ৫দা...

# চীফ মিনিষ্টরগী ওগষ্ট ৮গী মখান রিলিফ কেম্প খোঙচৎ য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি

### জষ্টিস পীয়ু হায়বনি, চীফ মিনিষ্টর লাকপীয়ু হায়খিদেঃ চেয়রমেন




ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ৮দা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা মখান্দা লৈরিবা রিলিফি কেম্পতা ওফিসিয়েল ওইনা লাক্কনি হায়রিবা অসি ৱার্কিং কম্মিটি জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিল মণিপুরনা তরান্না ওক্তে, নাগা ৬ মীহাৎকী জষ্টিস হান্না পীয়ু, অতৈ কোন্না খন্নসি হায়না কম্মিটি অসিগী মেদিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, চহী অসিগী মে ১৩দা লৈলোন ভাইফেদা কুকিশিংনা ফাজিনখ্রগা মীওই ৬ তমথিনা হাৎতুনা হুন্দোক্লম্বা থৌদোক ঙসি নুমিৎ ৮৪ শুরে। ঙসি ফাওবা লৈখিদ্রবা ৬কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং জেনিমকী মীরেলশঙদা লৈরি। অদুগা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং ফাবা নত্রগা থিবা ...মখা লমায় ৫দা...

## পাওলিনলাল হাওকিপ করন্না এম এল এ ওইরকপনো হংনরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ ভোটরগী মরী মখোঙ শেংদনা পাওলিনলাল হাওকিপ্না করন্না এম এল এ ওইরকপনো হংনরক্লে হায়না সোসিয়েল ৱার্কর সঞ্জয় অহন্থেমনা সি ই ও মণিপুরগী পুক্নিং চীংশিল্লক্লি।

সঞ্জয় অহন্থেমনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা সোসিয়েল মেদিয়া অমদি অতৈ অতৈ মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা রিপোর্ট তৌরকপগী মতুংইন্না পাওলিনলাল হাউকিপ অসি ১৯৭৪দা পোকই হায়বসিনি অদুগা মহাক অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মেম্বরশিং অমত্তা ২০২১ ফাওবা মণিপুরগী অমদি সাইকোট এ সিগী ভোটর লিষ্ট হায়বদি ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওদে হায়বসি অচুম্বা ওইরগদি শাংখ্রবা চহী ৪৬ / ৪৭ অসি মহাক অমসুং মহাক্কী ফেমিলি মেম্বরশিং কদাইদা লৈরুবগে অমদি কদাইদগী ...মখা লমায় ৫দা...

## গভর্ণরনা টি বি মুথৎনবা প্রোগ্রাম রিভিয়ু তৌদুনা নিক্সয় মিত্র মণিপুরগী ৱেব পোর্টেল লোঞ্চ তৌখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিদগী ট্যুবরকুলোসিস (টি বি) মরু ফংনা মুথৎনবা পান্দমদা চঙশিল্লিবা নেসনেল ট্যুবরকুলোসিস ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম (এন টি ই পি) গী ফিভম মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা রিভিয়ু তৌদুনা নিক্সয় মিত্র মণিপুরগী ৱেব পোর্টেল লোঞ্চ তৌখ্রে।

ইম্ফালগী লোক ভাবনদা ঙসি মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ষ্টেট অসিগী ওইনা পায়খৎলিবা এন টি ই পিগী ফিভম রিভিয়ু তৌবা অদুদা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি পুনিত কুমার গোয়ল, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি সুমন্ত সিংহ য়াওনা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী সেনিয়র ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

প্রধান মন্ত্রি টি বি মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মখাদা নিক্সয় মিত্র মণিপুরগী ৱেব ...মখা লমায় ৫দা...

## ঙসিদগী য়াসকী ওফিস ছো লোন্দুনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ হয়েং ইরাই নুমিৎতগী দিরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস (য়াস)কী ওফিস ছো লোন্দুনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি হায়না য়াস ইমপ্লোয়ি এসোসিয়েসনদা লাউথোকখ্রে।

মমাঙদা লৈঙাক্না য়াসকী জোইন্ট দিরেক্টর এদমিনিষ্ট্রেসন ওইনা এম সি এস ওফিসার অমা হাপ্লকখিবা অদু হন্দোকপীয়ু হায়না এসোসিয়েসন অসিনা তক্কদুনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা এম সি এস ওফিসার অদু ঙসি জোইন্ট তৌরকখ্রে। থৌওং অদুগী মায়োক্তা ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী ওফিস মমাঙদা য়াস ইমপ্লোয়ি এসোসিয়েসনগী থৌমীশিংনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

‘গুদ গভরণান্স ভিগিন ৱিথ ফেয়রনেস’, ‘রেস্পেক্ট ডি দিপার্টমেন্ট, রেস্পেক্ট ইটস কেদর’, ‘ষ্ট্রোং কেদর ব্লিদস এ ষ্ট্রোং দিপার্টমেন্ট’, ‘রেস্পেক্ট ইন্সটিট্যুসন্স, রেস্পেক্ট ইমপ্লোয়ি’ অমদি ‘জষ্টিস ফোর য়াস ইমপ্লোয়ি’ হায়বনচিংবা প্লেকার্দ কয়া শীজিন্নদুনা চথখিবা ৱাকৎ মীফম ...মখা লমায় ৫দা...

## য়ু এনগী রাইট টু প্রোটেক্সনবু খোঙ্গাওনবগী থৌওংনিঃ সনায়াইমা




ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ চহী অহুম হেল্লক্লবা লাল অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসননা পীবা মীওইবগী পুন্সি অমদি লন–থুম ঙাক শেনবা অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রাইট টু প্রোটেক্সনবু খোঙ্গাওনবা থৌওংনি। মীওই অনী খৎনহল্লগা ৱারগা তোকচগনি হায়বগী থৌওং নোংম–নোংমগী ময়েক শেংবা হেল্লক্লি হায়না পিছ কম্মিটি ...মখা লমায় ৫দা...

## মমল হেঞ্জিন্না য়োনবশিং লেপকদবনিঃ কে এস এ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা চানবা পোৎ–চৈগী মমলশিং হেঞ্জিন্না য়োনবগী থবক খুদক্তা লেপকদবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী কাফ এন্দ পি দিনা লেপখিবা মমলদগী হেন্না য়োনবা য়ারোই। হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিনবগী থবক পায়খৎলগনি হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ)গী জেনরেল সেক্রেটরী হুইরোংবম ববুলুনা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি খোয়াথোংদা লৈবা কে এস এগী লোইশঙদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক্কী ...মখা লমায় ৫দা...

## ঈফুৎ কলহৌদ্রবদি ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরগনিঃ ব্রজকুমার

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী ঈশিংগী মওং অসি ঈফুৎতগী হৌরকপা তুরেলনা লৈমায়দা চুপশিনখ্রগা পাৎ, তুরেলনচিংবদা ঈশিং লৈহনবনি। হৌজিক ঈফুৎ চাদা ৫০ হেন্না মাঙশিল্লকপা অসি কলহৌদ্রবদি তুংগী ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরকপা য়াই হায়না ইনভাইরোন্টমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দিরেক্টর ডা. টি ব্রজকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঈফুৎতগী থাদোরকপা ঈশিংনা তুরেলদা তারক্তুনা গ্রাউন্দ ৱাটর রিজাব তৌবা অমসুং পাৎশিংদা ঈশিং পীদুনা মণিপুরগী মীয়ামগী ঈশিং ফঙহল্লম্বা অদু হৌজিক্তি নোংগী ঈশিং মরাং কায়দবনা অন্দরগ্রাউন্দ ৱাটর লৈরক্তবা ঈফুৎ ঈশিং থোকপা হন্থরকপা অসিনা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি।

মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগা ...মখা লমায় ৫দা...

## অপুনবগী লৌশিং পুথোকপা চঙইঃ কে ঐচ ইবোমচা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ অপুনবগী লৌশিং পুথোক্তুনা মণিপুরদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা লম্বী য়াৎপা চঙই। লুরবা তানফম অসিদা অমনা অমদা থঙজিন্নবগী থৌওং অসি অচুম্বা নত্তে হায়না লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দো–জপান ফ্রেন্দসিপ এসোসিয়েসন মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লবকী লোক্তাক হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৮১শুবা হিরোসিমা দে সেলেব্রেসন ২০২৬কী থৌরমদা ৱাফম অসি এম এল এনা ফোঙদোকখিবনি। ...মখা লমায় ৫দা...

## দিরেক্টর রোবেননা দিজিটেল প্লেটফোর্ম ‘প্রিন্টফ্লো ৩৬০’ লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী প্রিন্টিংগী থবক থৌরমদা হেন্না লায়থোকহন্নবা পান্দমদা দিরেক্তোরেট ওফ প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেস্নরিনা দিজিটেল প্লেটফোর্ম ‘প্রিন্টফ্লো ৩৬০’ লোঞ্চ তৌখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা দিরেক্তোরেট অসিগী কৌব্রু পেভিলিয়নদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ‘প্রিন্টফ্লো ৩৬০’ হায়রিবা ওনলাইনগী দিজিটেল প্লেটফোর্ম অসি প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেস্নরিগী দিরেক্তর এন জি রোবেননা লোঞ্চ তৌখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিরেক্তর রোবেননা হায়, থবক থৌরমদা হেন্না ত্রান্সপরেন্সি অমদি একাউন্টেবিলিটি লৈহন্নবগী পান্দমদা দিজিটেল প্লেটফোর্ম অসি লোঞ্চ তৌবনি। অনৌবা চহী চাগী মতম অসিদদি দিজিটেল সিষ্টেম হায়বসি য়ান্না মরু ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

দ্রগ ফাবসি শুকলেপ লেপ্তে পোপীসিবু থারীজাৎলানে



দ্রগ ফারবসু অশেংবা মপুদি সুকফা ফাদবনিনা পোপীসি মপুনা থারমদবা তাইদা

## শীংনরক্লবদি শিবা কিদনা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরি ঃ এমসু



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ লমদম অসিগী ইপা–ইপুশিংনা ঙাক্লম্বা মণিপুরগী ঙমখৈ অসিবু শায়েন ঙায়েনগুম মণিপুর মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্না পীথোক্লবা হোৎনরক্লবদি অকনবা ইহৌ লাক্তুনা মৈ চাক্লক্কনি। টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটিদা শীংনরক্লবদি শিবা কিদনা খোঙজং চঙশিন্নবা ...মখা লমায় ৫দা...

## হিরোসিমা দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ জি পি ৱুমেন কোলেজ ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিক্সনা শীন্দুনা ঙসি হিরোসিমা দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু কোলেজ অসিগী লাইব্রেরি বিল্ডিংদা লৈবা এগজাম হোলদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা জি পি ৱুমেন কোলেজগী প্রিন্সিপাল প্রো. এল রাজেন, দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিক্সকী হেদ এল তম্ফাসনা, দিপার্টমেন্ট ওফ কেমিষ্ট্রি জি পি ৱুমেন কোলেজগী হেদ কে সনাতোন অমদি কোলেজ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ জিওগ্রাফিগী হেদ প্রোফেসর এম দি ভাহারুদ্দিন শাহনা মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। ...মখা লমায় ৫দা...

## হর ঘর তিরঙ্গাগী থৌরম পাঙথোক্লগনি




ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়ানা বৃটিসকী মখূৎতগী নীংতমখিবা চহী ৭৮ শুরকপগা মরী লৈননা থা অসিগী ৯দগী হৌদুনা চয়োল অমা চুপ্না ষ্টেট পূম্বদা হর ঘর তিরঙ্গা কেম্পেইন পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরি (আর্ট এন্দ কলচর) নাওরেম প্রবিননা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা সিভিল সেক্রেটরিয়েট নোর্থ ব্লোক্কী মিনি কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা ...মখা লমায় ৫দা...

## সনালৈবাক পব্লিক ওপিনিয়ন

### মীয়ামগী খোল্লাউ ঈশ্বরগী খোল্লাউ

**সলাম ইন্দুভুষন, শগোলবন্দ মৈনো লৈরক**



পুৱারি হঙৎনা য়েংলুবদা কুকি ফুরুপকি মীওইশিং বৃটিস অমদি মৈতৈ নিংথৌশিংনসু থবক কয়া অদুমক শীজিন্নদুনা লাকখি। মতৌ অদুগুম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু করিগুম্বা পান্দম খরগীদমক মখোয়বু শীজিন্নদুনা লাকখিবনি। মণিপুরগী মীচম মীয়ান্না পেরামাউন্টসি শেম্বা ঙম্বা লৈঙাক অমা য়াম্না থুনা লৈহনবা অমা মথৌ তারে। লমদম অসিগী মীচম মীয়ান্না শোয়দনা পেরামাউন্টসি লৈবা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙমগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ। মণিপুরদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা পেরামাউন্টসি লৈরমখি। মদুমক্না য়েক্লবশিংনা মণিপুরবু লাকচবা ঙল্লমদবনি। অদুবু হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিদা পেরামাউন্টসি লৈতবনা মরম ওইরগা থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লকপনি। লোয়ননা মণিপুরদা মায়কৈ কয়াদগী লান দারক্লিবা অসিসু পেরামাউন্টসি লৈরবা মতম খক্তদা অদুমক য়াম্না লায়না ঙাকথোকপা শোয়দনা ঙমগনি হায়না খল্লি।

**য়ুমখাইবম ইনাউচা লুৱাং, তোপ মখা লৈকায়**



হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মে ৩ দগী থোক্লকখিবা মীতৈ কুকিগী লান্দগী ঙসি ফাওবা মীতৈ ফুরুপনা নেসনেল হায়ৱে ফাউদুনা চৎপা য়ারোই হায়দুনা ঙসি ফাওবা শিখাঙ খাঙদুনা লাক্লি। লান অদুদা লাঞ্জদ্রবা মীতৈ ফুরুপকি ইচিন–ইনাউ কয়া লৈখিদ্রে। মখোয়গী থৱায়না মীহাৎপা কুকিশিংবু পেনবিরমগদ্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি। শাংলবা চহী ৩ হেল্লক্লবা অসি মীতৈ ফুরুপনা মপান ষ্টেটতা মহৈ তম্বা, অনা লায়েং চৎপা থবক থিবা, ললোন ইতিক চৎপা, গাড়ী থৌদুনা দ্রাইভরগী শিনফমদা হিংজরম্বা কয়া অৱাফমদা তাদুনা লাক্লি। মসিদা মীতৈ ফুরুপকি মীয়াম ৱারমগনি হায়বসি কুকিগী সি এস ওশিংনা খঙবিগদবনি। হন্দক নাগা মীচম ৬ কুকিশিংনা মীহাৎ থিনা হাৎখিবগী জষ্টিস পীয়ু হায়দুনা লৈঙাক অমদি কুকিশিংগী মথক্তা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌরবসু হান্না অৱাবা মায়োক্লরকপনা কুকি সি এস ওশিংনা হৌজিক্তি মখোয়গী হিংবগী রাইট তাল্লক্লি। অদুবু পূন্নমক কাউথোক্লদুনা পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোল লৈরবতদা চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইগনি খঙমিন্নসি।

হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসি করন্না কোকহনবা ঙমগনি হায়বগী মতাংদা অদোমগী ৱাখল্লোল ৱাট্সএপ নম্বর **9366310922** অমদি ই–মেল **sanaleibakdaily2008@gmail.com** দা থাবীরকউ।

## হেক্তা হায়জিনবা

### নুংঙাইজাৎনি

থিংবসি নুংঙাইজাৎনি
পঙথিংদা থিংই
মা মানা থোকপা
মমিং ওন্থোক ওন্থোক্তুনা
থিংবসি নুংঙাইজাৎনি
থিংই বন্দ কৌদুনা
থিংই ব্লোকেদ কৌদুনা
থিংই ইকোনোমিক ব্লোকেদ কৌদুনা
থিংই কাউন্টর ব্লোকেদ কৌদুনা
থিংই সটদাউন কৌদুনা
থিংই টোটেল সটদাউন কৌদুনা
থিংই পব্লিক কাফ্যু কৌদুনা
থিংই শিন্থা লেপ্পা কৌদুনা
থিংই কৌনিং কৌনিংবা কৌদুনা
থিংই চেরোল অমা থোক্তুনা
থিংই পাউগী মীফম অমা ফমদুনা
মা মানা থোকপা
পঙথিংদা থিংই
থিংবসি নুংঙাইজাৎনি।

## ১৭লক শুবা এন্যুয়েল মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে

### মায় পাকপা মী অমা ওইনিংলবদি ময়ামগা মান্নদবা খরা তৌবা তাইঃ ইরাবন্ত




ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ মায় পাকপা মী অমা ওইগে হায়রবদি ময়ান্না হোৎনরিবা, তৌনরিবা চাংদগী খরা হেন্না হোৎনবা খরা তোঙান্না থবক তৌবা তঙাই ফদে হায়না য়ুনাক্নো স্কুলগী চেয়রমেন নিঙোম্বম ইরাবন্তনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন খোঙমন অমসুং য়ুনাক্নো স্কুল খুৎশন্ননা শীন্দুনা খোঙমনদা লৈবা য়ুনাক্নো কোলেজগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা এন্যুয়েল মেরিটোরিয়স এৱার্দ লান্থোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

খোঙমনগী অকোয়বদা লৈবা ক্লাস ১০ অমসুং ১২কী এগজামদা চাদা ৭০ অমসুং হেন্না ফংলক্লবা মহৈরোই পূন্না ৮৭তা শেল য়াওনা মেমেন্টো, সার্টিফিকেট অমসুং অচম্বা লেংয়ান খুদোল তমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুনাক্নো স্কুল খোঙমনগী প্রিন্সিপাল গীতারানী, দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এজুকেসনগী দিরেক্টর লাইশ্রম রাধাকান্তা, এস সি ই আর টিগী জেইন্ট সেক্রেটরি ...মখা লমায় ৫দা...

## ওর্গানিক্কী পোথোকশিং মীয়ামদা উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ দিল্লি এন সি আরগী গ্রেটর নোইদাদা লৈবা ইন্দিয়া এক্সপোজিসন মার্ট লিমিটেদতা থা অসিগী ৬তগী ৮ ফাওবা নুমিৎ ৩নি চুপ্না চথুগদবা বাইওফাক ইন্দিয়া ২০২৬তা মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সি (মোমা)না মণিপুরগী ওর্গানিক্কী পোথোকশিং মালেমগী মীয়ামদা উৎখ্রে।

অপেদানা নুর্নবক মেসিগা খুৎশন্নদুনা নেচরেল এক্সপো ইন্দিয়া অমদি মিল্লেটস ইন্দিয়াগা খুৎশন্ননা শীন্দুনা নুমিৎ ৩নি চুপ্না চথুগদবা এক্সপো অসিদা মোমানা জি আই টেগ ফংলবা মণিপুরগী চাকখাও, সিরারাখোং, উ মোরোক, শীং, য়াইঙং, ...মখা লমায় ৫দা...

সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 8787846223 দা, গ্যাসকীনা, 9402247588 দা, ঈ–পাউগী ওইনা 8830812368 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9436829185 দা পাউ পীবিবা য়াগনি

# দোমেষ্টিক ইলেক্ট্রোনিক মেনুফেকচরিং কম্পেনিশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা টেক্সেসন বিল লোক সভাদা পাস তৌখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সি):
অযোধ্যাগী রাম টেম্পলদা মীয়াম্না কৎল্লকখিবা য়াল্লবা শেনফম কয়া মফম খঙদনা মাঙখিবগী ৱাথোক অমদি লৈবাক অসিদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা ইসু খন্নগদবনি হায়না ওপোজিসন পার্টিগী মায়কৈদগী থল্লকপা দিমানন্না মরম ওইরগা চরাংনবা থোক্লিঙৈ মথৌতাবা দিবেট এন্দ দিস্কসন তৌদনা লোক সভাগী নোংজু মীফমদা টেক্সেসন এন্দ আদর লো (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৬ পাস তৌখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা লোক সভাগী নোংজু মীফমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না টেক্সেসন এন্দ অদর লো (এমেন্দমেন্টর) বিল ২০২৬ পাস তৌখ্রবা মতুং পেমেন্ট এন্দ সিষ্টেম এক্ট ২০০৭দসু নৌনা এমেন্দ তৌখ্রে। নৌনা টেক্সেসন এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌরবা মতুং হাউস অদু ঙসিগী ওইনা এদজোর্ন তৌরে হায়না লাউথোকখি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঙসি লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা টেক্সেসন এন্দ অদর লো (এমেন্দমেন্টর) বিল ২০২৬ অদু লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলমশিং শেম শাবগী থবক তৌরিবা তোঙান তোঙানবা কম্পনিশিংদা ফোরেন কেপিটেল তৌদুনা মপাঙ্গল কনখৎনবগী পান্দমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না পাস তৌখিবনি হায়রি।

অসিদা নৎতনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা পেমেন্ট এন্দ সেটলমেন্ট সিষ্টেম এক্ট অমসুং ইনকম টেক্স এক্টকী মরক্তা লৈরিবা অহোবা অসি মেনশিন্নবগীদমক বিল অসি পাস তৌখিবনি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী বেঙ্ক অমদি পেমেন্ট–সিষ্টেম প্রোভাইদর অনিগী মরক্তা য়ু পি আই নৎত্রগা রুপে দেবিট কার্দ শিজিন্নদুনা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা ট্রাঞ্জেক্সন তৌবা য়াদনা লৈবাক অসিদা লৈরক্লিবনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না তোঙান তোঙানবা ফোরেন কম্পেনিশিংনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা ইলেক্ট্রোনিক মেনুফেকচরিং কম্পেনিশিংগা জোইন্ট ভেঞ্চর ওইনা থবক তৌবদা হান্না লৌরম্বা ইনকম টেক্স অদু কোকথোক্তুনা লৈবাক অসিগী ইলেক্ট্রোনিক মেনুফেকচরিং কম্পেনিশিংবু মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা হেন্না পোথোক পুথোক্লবগীদমক বিল অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না প্রোপোজ তৌরকখিবা বিল অমনি। বিল অসিগী মতুং ইন্না মোবাইল ফোন, লেপটোপ, পার্সোন্নেল কমপ্যুটর, টেব্লেট, সর্ভর শিংগী মরুওইবা পার্ট অমদি এসেসরি শেম শাবদা লৈঙাক্না থল্লম্বা ইনমক টেক্স অদু লৌরোইদৌরি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা জুলাই ২০দগী ঙসি ফাওবা চত্থরক্লিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা বিল কয়া লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা পাস তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লোক সভাদা পূন্না বিল ৭ অমদি রাজ্য সভাদা বিল ৫ মথৌতাবা দিস্কসন অমদি দিবেট পাঙথোকপা তৌদনা ভোইস ভোটকী খূৎথাংদা পাস তৌখিবা লৈখ্রে।

অদুবু লৈবাক অসিদা অচৌবা ৱাথোক ওইখিবা কোইসন পেপর লিক ওইবগী ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা ইন্দিয়া লৈঙাক্না এন্টি–পেপর লিক হাউসতা ইন্ট্রোদ্যুস তৌদুনা চাওরাক্লা পুং ১০ রোম দিস্কস তৌখি।

# ইন্দিয়ান আর্মি অমদি চাইনাগী পিপল লিবরেসন আর্মি অনিগী মরক্তা মুক্লখ্রে, ওফিসিয়েলশিংদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সি):
অরুনাচল প্রদেশকী অপ্পর সুবানসিরি দিষ্ট্রিক্টকা চাইনাগা তায়নবা ঙমখৈ পরিংদা ইন্দিয়ান আর্মি অমদি চাইনাগী পিপল লিবরেসন আর্মিগী মরক্তা নৌনা মুক্লবগী ফোটো অমদি ভিদিও তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা ভাইরেল ওইরকখ্রে।

লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না হৌখিবা জুলাই ২৬তা ইন্দিয়ান আর্মি অমদি চাইনাগী আর্মিগী মরক্তা মুক্লবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

মফমদুগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ান আর্মি অমদি চাইনাগী আর্মিগী মরক্তা মুক্লবগী থৌদোক অদু জুলাই ২৫গী অঙনবা মতমদগী হৌদুনা থোকখিবা ওইগনি। অদুবু থৌদোক অসিগী মতাংদা মরীলৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ওফিসিয়েল ওইনা হায়দোক্তনা লৈরি।

অরুনাচলগী নাহ ৱেলফিয়ার সোসাইটি (এন দব্লিয়ু এস)কী মায়কৈদগী অরুনাচলগী মীয়াম্না মৈহৌরোলগী মতমদগী হৌদুনা উমঙ–ৱামঙগী পোথোকশিং তাশিন খোমজিন্দুনা লাকখিবা অরুনাচলগী ঙমখৈ পরিংদা চাইনানা নৌনা লম্বী থোং অমদি মিলিটরি কেম্প কয়া শেমজিন শাজিনবগী থবক চত্থরে হায়না মরীলৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা ৱাকৎখিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং নৌনা অরুনাচলগী অপ্পর সুভানসিরি দিষ্ট্রিক্ট অমদি চাইনাগী ঙমখৈ পরিংদা ইন্দিয়ান আর্মি অমদি চাইনা আর্মিগী মরক্তা নৌনা মুক্লবগী থৌদোক অসি থোকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়ান আর্মি অমদি অরুনাচল প্রদেশকী হোম মিনিষ্টর মমা নতুংনা অরুনাচলগী ঙমখৈ পরিং লানশিন্দুনা চাইনাগী আর্মিনা লম খোপচিন্দুনা মখল অমত্তগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক অমসুং মিলিটরি কেম্প নৌনা লিংবগী থবক চত্থবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল মেদিয়াগী খূৎথাংদা নৌনা ইন্দিয়ান আর্মি অমদি চাইনাগী আর্মিগী মরক্তা মুক্লবগী ফোটো অমদি ভিদিও কয়া ভাইরেল ওইরকখিবা মফম অদু অরুনাচলগী মফম ওইগনি হায়না লোকেল খূঞ্জাশিংনা নিংফুং নিংফুং ঙাংনবা হৌরক্লে।

কামলে দিষ্ট্রিক্টকী মকোকথোংবা পব্লিক লিদর অমসু ওইরিবা অজয় মুর্টেমনা সোসিয়েল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরক্লিবা ফোটো অমদি ভিদিও অদুগী মতাংদা মরীলৈনবা ওথোরিটিনা গ্রাউন্দ লেবেল এসেসমেন্ট তৌদুনা কদাইদা থোকপা ইন্দিয়ান আর্মি অমদি চাইনা আর্মিগী মরক্তা থোকপা মুক্লবগী থৌদোক্নো হায়বা অদু খঙহনগদবনি হায়না অরুনাচলগী চীফ মিনিষ্টর পেমাখন্দুদা অফোঙবা চিঠি ইদুনা ৱাকৎখ্রে।

অসিদা নৎতনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ারস, ইন্দিয়ান আর্মি অমদি ইন্দো–টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি)গী মরক্তা কোওর্দিনেট লৈনা থবক তৌদুনা হিরম অসিগী মতাংদা মরীকচুম্বা পাউদম থমগদবনি হায়নসু মহাক্না তকশিল্লকপগা লোয়ননা অরুনাচল প্রদেশ অমদি চাইনাগী ঙমখৈ পরিং ঙাক শেনবগী থবক অসি অমুক্কা হেন্না চেৎশিনহন্ননবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিলক্লি। নাকল অমরোমদা সোসিয়েল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরক্লবা ফোটে অমদি ভিদিও ফুটেজগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মরিক চুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরি।



# টেরিটোরিয়েল আর্মিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিনা খন্নখ্রে ‘মথৌ তাবদা খুদক্তা মথৌ পাঙথোক্নবা ট্রেন তৌদুনা লৈগদবনি’



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সি): দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা চিয়ার লৌদুনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা টেরিটোরিয়েল আর্মিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে।

লোক সভাগী নোংজু মীফম চত্থরিঙৈ দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হাউসতগী থোরক্তুনা হায়রিবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অদু পাঙথোকখিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থল্লিবা ৱিক্সিত ভারতকী পান্দম অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা টেরিটোরিয়েল আর্মিনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। লৈবাক অসিগী লৈরিবা টেরিটোরিয়েল আর্মি অসি লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনবদা অখন্নবা পান্দম থমদুনা লৈবা সেক্যুরিটি ফোর্স অমনি।

টেরিটোরিয়েল আর্মিশিংনা লৈবাক অসিগী ইন্টরনেল সেক্যুরিটি ঙাক শেন্দুনা থন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা অসিগী মথক্তা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিং ঙাক শেন্দুনা থন্নবা মতম কয়াগী মমাঙদগী মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা সেক্যুরিটি ফোর্স অমনি হায়না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মতম কয়া লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটিদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লবা মতুং সিভিলিয়ানগী পুন্সিরোলদা হঞ্জিলক্লবা মতমদা খুন্নাই অমদি মিলিটরিগী মরক্তা লৈরিবা অহোবা অসি টেরিটোরিয়েল আর্মিনা মেনশিন্দুনা লাক্লি।

লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটিদা মথৌ তারক্লবদি খুদক্তা সেক্যুরিটিগী থৌদাং লৌবা ঙন্নবগীদমক টেরিটোরিয়েল আর্মি মতম পূন্নমক্তা ট্রেন তৌদুনা লৈগদবনি হায়নসু মহাক্না চেকশিন ৱা থমখি।

### সনা–সুদোকু–১০৪১গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 3 | 9 | 5 | 8 | 2 | 1 | 4 | 7 |
| 8 | 4 | 7 | 1 | 3 | 6 | 5 | 9 | 2 |
| 2 | 5 | 1 | 7 | 4 | 9 | 3 | 8 | 6 |
| 9 | 2 | 5 | 6 | 1 | 4 | 8 | 7 | 3 |
| 1 | 6 | 8 | 3 | 2 | 7 | 4 | 5 | 9 |
| 3 | 7 | 4 | 8 | 9 | 5 | 2 | 6 | 1 |
| 4 | 8 | 6 | 2 | 7 | 1 | 9 | 3 | 5 |
| 7 | 1 | 3 | 9 | 5 | 8 | 6 | 2 | 4 |
| 5 | 9 | 2 | 4 | 6 | 3 | 7 | 1 | 8 |

# ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা তেংবাঙ লৌবদা অসাম লৈঙাক্না অথিংবা থমখ্রে

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সি):
অসামদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাওনা মীওই কয়া লৈখিদবা কয়া অমনা ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা লঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীয়ামগী মথৌতাবা পোৎলমশিং তেংবাং পীনবগী মিংদা মীয়াম্না ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা লম্বী সোরোকতা থোরক্তুনা দোনেসন নিবগী থৌওং অসি খুদক্তা লেপকন্দবনি। লৈঙাক্না থল্লিবা অথিংবা অসিগী মায়োক্তা কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন অমত্তনা মখা তানা দোনেসন নিবগী থবক চত্থরক্লিবদি মীওইশিং অদুগী মথক্তা লিগেলগী ওইবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হেমন্তা বিশ্ব শর্মনা ফোঙদোকখ্রে।

অসামদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও অসিগী মতাংদা পাউশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীদুনা চীফ মিনিষ্টর হেমন্তা বিশ্ব শর্মনা মখা তানা ফোঙদোকখি, ঈশিং ঈচাওগী অৱা–অনা তারবা মীয়ামগী মিংদা রিলিফ মেটরিয়েলগী তেংবাঙ পীনবনি হায়দুনা লম্বী সোরোকতা দোনেসন বোক্স নৎত্রগা কিয়ু আর কোদ শিজিন্নদুনা মখল অমত্তগী শেনফম খোমগৎপা য়ারোই।

ষ্টেটকী মীয়াম্না অৱা–অনা তারবা মীয়ামগীদমক তেংবাং পীগে হায়না খনবা লৈরবসু মরীলৈনবা ওথোরিটিদা তেংবাঙ তৌদুনা অৱা–অনা তারবা মীয়ামদা মতেং পাংবগী থবক চত্থবিয়ু হায়না হেমন্তা বিশ্ব শর্মনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি অসামদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও অসিদা মীওই কয়া লৈখিদ্রবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অসামগী এম পিশিংনা উন্নদুনা মথৌতাবা থবক পায়খৎনবা খঙহনখিবসু লৈখ্রে।

IN THE COURT OF THE REVENUE TRIBUNAL, MANIPUR AT LAMPHEL.

*MEMO NO. 195/TRIBUNAL / Dt. 06-08-2026*

**REVENUE MISC. CASE NO. 83 OF 2026**

Smt. Lairenlakpam Ongbi Ahanthem Ningol Nishilata Devi, aged about 70 years, w/o (L) Lairenlakpam Sudhir Singh of Nagamapal Kangjabi Leirak, P.O. Imphal and P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur, A/P Keishamthong Ahanthem Leikai, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur and another.

**Petitioners**

**-Versus-**

Smt. Lairenlakpam Ongbi Mema Devi, aged about 92 years, w/o (L) Lairenlakpam Radhe Singh of Nagamapal Kangjabi Leirak, P.O. Imphal and P.S.Lamphel, Imphal West District, Manipur and 11 others.

**Respondents**

**SUMMONS**

To,

1. Lairenlakpam Ongbi Aruna Devi, aged 62 years, w/o late Lairenlakpam Sanjoy Singh (Defendant no.3) of Nagamapal Khangjabi Leirak P.O. Imphal P.S. Lamphel, Imphal West District,Manipur.
2. Lairenlakpam Ningol Oinam Ongbi Sujata Devi, aged 65 years, s/o late Lairenlakpam Radhe Singh (Defendant no.6) of Nagamapal Khangjabi Leirak P.O. Imphal P.S. Lamphel, Imphal West District,Manipur.
3. Lairenlakpam Rajesh Singh, aged 37 years, s/o late Lairenlakpam Sanjoy Singh (Defendant no. 7) of Nagamapal Khangjabi Leirak P.O. Imphal P.S. Lamphel Imphal West District, Manipur.
4. Lairenlakpam Gandhi Singh, aged 32 years, s/o late Lairenlakpam Sanjoy Singh (Defendant no. 8) of Nagamapal Khangjabi Leirak P.O. Imphal P.S. Lamphel Imphal West District, Manipur.
5. Lairenlakpam Tonny Singh, aged 26 years, s/o late Lairenlakpam Sanjoy Singh (Defendant no. 9) of Nagamapal Khangjabi Leirak P.O. Imphal P.S. Lamphel Imphal West District, Manipur.

Whereas the Petitioners above named has filed a suit U/s 5 of the Limitation Act 1963 praying for condonation of delay of 5435 days in filing revision case for setting aside under Mut. Case No. 2/AS&SO/I.W-I dated 10-01-2011. It is hereby summoned to appear before this Hon'ble court either in persons or by a pleader duly instructed and be able to answer the material questions relating to the case on 25-08-2026 at 10:30 AM, to answer the claim and further it is directed to produce all the documents on that day.

Take notice that, in default of your appearance on the day before mentioned, the case will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of this Court on this the 6th August, 2026.

By: N. Nganthoi
Advocate.

Sd/-
(Salam Samarjeet Singh)
MACT/Revenue/Cooperation Tribunal.

SL/5436/07&08

In the Court of The Sub-Deputy Collector Porompat, Imphal East, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 349 of SDC(IE)/P of 2026*

Irom Sanatombi Leima W/O (L) Pukhrambam Kalanjoy Meitei of Kongpal Khaidem Leikai. - ***Petitioner***

***-Verses-***

Late Pukhrambam Kalanjoy Meitei S/O Late Amuthoi Meitei of Kongpal Khaidem Leikai . ***-O. P.***

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE

*Porompat,the 06th August,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 22-Khaidem Leikai গী Patta No. 36/48 (O) 6 (অরিবা), --- (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 107 measuring an area 0.117 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

SL/Nanda/07

***Sd/-***
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat Imphal East, Manipur

In the Court of The Sub-Deputy Collector Porompat, Imphal East, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 348 of SDC(IE)/P of 2026*

Brahmcharimayum Shusila Devi D/O (L) B. Ashinikumar Sharma of Brahmapur Laipubam Leikai. - ***Petitioner***

***-Verses-***

Late B. Ashinikumar Sharma S/O (L) Iboton Singh of Brahmapur Laipubam Leikai . ***-O. P.***

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE

*Porompat,the 05th August,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 49-Bheigyabati Leikai গী Patta No. 129 (অরিবা), 168 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 22 measuring an area 0.11 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

SL/Nanda/07

***Sd/-***
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat Imphal East, Manipur

**GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, BASHIKHONG, IMPHAL EAST**

*RR. NO. 187/ SDC/B/IE of 2026*

***Legal Wife Certaficate***

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE**

*Bashikhong, the 06th August, 2026*

নোটিশ অসিনা খংহনলি মদুদি শ্রীমতি Wangkhemayum Radhe Devi লৈফম Kakwa Lamdaibung, Imphal East অসিনা লৈখিদ্রবা W. Ibobi Singh অসিবু মহাক্কী লিগেল নুপানি হাইদুনা ওফিস অসিদা মহাক্কী মিংদা লিগেল Wife certificate পিবিয়ু হায়দুনা ওফিস অসিদা দরখাষ্ট থাররে।

মরম অসিনা কনাগুম্বা মারীলৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ 5(five)গী মনুংদা ওফিস অসিদা Objection তৌবিরবা য়াগনি। করিগুম্বা মরী লৈনবশিংনা Objection লাক্তুবদি মখা তাবা থবক চত্থরগনি, তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

SL/Mei/07

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

**In the Court of Sub-Deputy Collector Bashikhong, Imphal East**

*Mutation Case No. 226/SDC/B/IE of 2026 Dt. 06/08/2026*

1) Sanasam Nobin Singh S/O (L) Sanasam Khelendra Singh of Thangju Part -II Konok Khongnang Makhong
2) Sanasam Ranjit Singh S/O (L) -do- of -do-
3) Sanasam Meghachandra Singh S/O (L) -do- of -do-
4) Sanasam Kumarjit Singh S/O (L) -do- of -do-
5) Sanasam Arun Singh S/O (L) -do- of -do-
6) Sanasam Jiten Singh S/O (L) -do- of -do-

*- Petitioners*

***-Verses-***

Late Sanasam Ibomcha Singh S/O (L) Toyaima Singh of Thongju.

*- Pattadar*

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE**

*Bashikhong, the 06th, August, 2026*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ঈঃ ইঃ তাহশিল খূল নং 58-Thongju পাট্টা নং 510 অনৌবা দাগ নং 655 মোট এরিয়া 0.39000 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার Sanasam Ibomcha Singh S/O (L) Toyaima Singh of Thongju দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পনলিবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফঙজরে অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই কোটকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

SL/Mei/07

Sd/-
Sub-Deputy Collector,Bashikhong
Imphal East







**SLOPELAND COLLEGE OF TEACHERS EDUCATION**

(Recognised by NCTE, New Delhi & Affiliated to SCERT, Govt. of Manipur)
Salt Village, B.P.O. Khongjom, Thoubal District - Manipur

**D.El. Ed. TWO YEAR COURSE**

## Post Vacancy

Applicants are invited for the following post on plain paper along with detailed Bio-data and self-attested copies of supporting documents.

| Sl. No. | Name of Post | Minimum Qualification | No. of Post | Salary (Rs.) |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Faculty of Perspectives in Education or Foundations of Education | i) Master Degree in Humanities/Social Science/Science with a minimum of 50% marks from a recognized university. ii) M.Ed. from a recognized university/institute with a minimum of 50% marks. | 3 | As per NCTE Norms |
| 2 | Faculty in Science | i) Master Degree in Science with a minimum of 50% marks from a recognized university. ii) M.Ed. from a recognized university/institute with a minimum of 50% marks. | 2 | As per NCTE Norms |
| 3 | Faculty in Social Science | i) Master Degree in Social Science with a minimum of 50% marks from a recognized university. ii) M.Ed. from a recognized university/institute with a minimum of 50% marks. | 2 | As per NCTE Norms |
| 4 | Faculty in Mathematics | i) Master Degree in Mathematics with a minimum of 50% marks from a recognized university. ii) M.Ed. from a recognized university/institute with a minimum of 50% marks. | 2 | As per NCTE Norms |
| 5 | Faculty in English | i) Master Degree in English with a minimum of 50% marks from a recognized university. ii) M.Ed. from a recognized university/institute with a minimum of 50% marks. | 1 | As per NCTE Norms |
| 6 | Faculty in Manipuri | i) Master Degree in Manipuri with a minimum of 50% marks from a recognized university. ii) M.Ed. from a recognized university/institute with a minimum of 50% marks. | 1 | As per NCTE Norms |
| 7 | Faculty in Art Education | i) Master Degree in Fine Art/Visual Art/Performing Art with a minimum of 50% marks from a recognized university. ii) 'A' Grade Artist of AIR/Doordarshan. | 2 | As per NCTE Norms |
| 8 | Faculty in Health and Physical Education | i) Master Degree in Physical Education (M.P.Ed.) with a minimum of 50% marks from a recognized university. | 1 | As per NCTE Norms |

- Last date of Application submission : 17/08/2026
- Date of Interview : 20/08/2026
- Venue : Administrative Block, Slopeland College of Teachers Education
- Time : 10.30 a.m.
- Contact : +91 9615965922
- E-mail : slopelandcollege@gmail.com

SL/KK/6 to 7

Sd/-
Chairman
Slopeland College of Teachers Education

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE**

**NOTIFICATION**
Imphal, the 6th August, 2026.

No.1/Childline/ICPS(SW)2017-18(Pt-1): Applications are invited from intending candidates for engagement of 148 (one hundred and forty-eight) posts of contractual staff for setting up Child Helpline 1098, a child helpline services in Manipur under Mission Vatsalya in Social Welfare Department, Government of Manipur.

All willing candidates shall submit Online Application Form on Department's Website www.socialwelfare.gov.in on or before 11:59 P.M. of 25/08/2026 (Submission of Online Application Form shall commence from 07/08/2026)

**A. Child Helpline WCD Control Room:**

| Sl. No. | Name of the Post | No. of Post | Remuneration as per SoP of Child Helpline | Reservation | Qualification as per SoP of Child Helpline |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Helpline Administrator | 1 | Rs. 34,755/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 35,085/- | UR - 1 | Any person having a Masters in Law/Social Work/Social Science/Psychology with at least 5 years experience of working on child related relevant domain in an administrative set-up with a Government or Non-Government Project/Programme and preferably with at least 1-year experience of counseling either with or outside the same set-up. She/he should be preferably a resident of the local community so that human resource and expertise is utilized for effective functioning of the centre. |
| 2 | IT Supervisor | 1 | Rs. 27,804/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 28,134/- | UR - 1 | Any Graduate from a recognized University with at least Diploma in computers/ IT etc. with a minimum of 3 years experience in data management, process documentation and web-based reporting, video conferencing at State or District Level with Government or Non-Governmental/IT Base Organisations. |
| 3 | Call Operator | 12 | Rs. 18,536/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 18,866/- | UR - 7 ST - 3 OBC(M) - 2 | Any Graduate from a recognized University with good communication skills in Hindi, English and regional languages and having requisite qualifications and experience of working on telecom / web-based relevant systems. |
| 4 | Multi Purpose Staff | 3 | Rs. 14,564/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 14,894/- | UR - 3 | 10th Pass from a recognised board/Equivalent Board. Good Communication Skills. Weightage for experienced candidate. |
| 5 | Security Guard/Night Guard | 3 | Rs. 10,000/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 10,330/- | UR - 3 | 10th Pass from a recognised board/Equivalent Board. Good Communication Skills. Weightage for experienced candidate. |
| | Total | 20 | | | |

**B. Child Helpline Unit at DCPUs:**

| Sl. No. | Name of the Post | No. of Post | Remuneration as per SoP of Child Helpline | Reservation | Qualification as per SoP of Child Helpline |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Project Co-ordinator | 16 (1 each for every District) | Rs. 32,000/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 32,330/- | UR - 10 ST - 4 OBC(M) - 2 | Post Graduate degree in Social Work/Sociology/Child Development/Human Rights/Public Administration/Psychology/ Psychiatry/Law/Public Health/Community Resource Management from a recognized University **Or** Graduate in Social Work/Sociology/Child Development/Human Rights/Public Administration/Psychology/ Psychiatry/Law/Public Health/Community Resource Management from a recognized University with 2 years experience in project formulation/implementation, monitoring and supervision in the preferably in the field of Women and Child Development/Social Welfare. Proficiency in Computers. Preference may be given to Personnel of working in Emergency Helplines. |
| 2 | Counsellor | 16 (1 each for every District) | Rs. 20,590/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 20,920/- | UR - 10 ST - 4 OBC(M) - 2 | Graduate in Social Work/Sociology /Psychology /Public Health/Counselling from a recognized University/PG Diploma in Counselling and Communication. Experience: At least 1 year of working experience with the Govt./NGO preferably in the field of Women and Child Development. Proficiency in Computers. Preferences may be given to personnel of working in Emergency Helplines. |
| 3 | Child Helpline Supervisor | 48 (3 each for every District) | Rs. 20,590/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 20,920/- | UR - 26 ST - 14 OBC(M) – 6 OBC(MP) – 2 | Graduate preferably in B.A. in Social Work/Computer Science/Information Technology/Community Sociology/Social Sciences from a recognized University /Weightage for experienced candidate proficiency in Computers. Preference may be given to personnel having experience of working in Emergency Helplines. |
| 4 | Case Worker | 48 (3 each for every District) | Rs. 19,000/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 19,330/- | UR - 26 ST - 14 OBC(M) – 6 OBC(MP) – 2 | 12th Pass from a recognised board/Equivalent Board. Good Communication Skills. Weightage for experienced candidate. Preference may be given to Personnel of working in Emergency Helplines. |
| | Total | 128 | | | |

1. Examination Centres:

The Examination Centres for all posts would be at:

i. Churachandpur
ii. Imphal
iii. Kangpokpi
iv. Senapati
v. Ukhrul

2. Age Limits: 18 years to 38 years. Upper age limit is relaxable for Govt. Servants as per rules. 5 yrs. relaxation for SC & ST candidate (i.e. 43 yrs.) & 3 yrs. relaxation for OBC Candidates (i.e. 41 years). 10 years relaxation for Persons with Disabilities as on last date of form submission as mentioned above i.e. 25/08/2026
**There shall be one time age relaxation of 2(two) years to applicants above the upper age limit.**

3. Payable Fees: Rs.500/- for UR and Rs. 300/- for ST/SC/OBC. Fees shall be exempted for PwD candidates. Fees shall be paid online through the payment gateway of the online application portal.

4. 1 (one) post each for the following post will be reserved for PwD in the following manner and reservation will be horizontal in nature:

| Sl. No. | Name of Post | No. of post reserved for PwD/nature of PwD |
|---|---|---|
| 1 | Project Co-ordinator | 1 (LD) |
| 2 | Counsellor | 1 (LD) |
| 3 | Child Helpline Supervisor | 2 (1 for LD and 1 for VI) |
| 4 | Case Worker | 2 (1 for LD and 1 for HI) |

5. Eligible candidate shall download Admit Cards from Department's official website www.socialwelfare.mn.gov.in

6. The above notification is issued with concurrence of competent authority vide FD U.O. No. 14/2026-2027/FD(PIC) dated 24.04.2026 and DP O.M. No. RRDP-30/1/2021-DP-DP dated 17.07.2026 and Govt. letter No. CSSS-204(4)/3/2023-SW-SW dated 6/08/2026 and with the approval of the Governor-in-Council for relaxation of ban on direct recruitment on contractual basis.

7. Disqualification:
   i. Canvassing by a candidate directly or indirectly in connection with the recruitment shall be liable to disqualification of the candidate.
   ii. Any candidate who, on verification at any stage of the recruitment process, does not fulfil any of the eligibility conditions, will be disqualified.
   iii. Any candidate with criminal record, if any, will be disqualified at any stage (even after completion of recruitment process) upon receipt of adverse report from District Administration/Police during verification of antecedents and character.

8. **Period of engagement for the above post shall be co-terminus with the scheme.**

9. Scheme of Examination:

A. Scheme of Examination for the posts of:
i. Helpline Administrator: 1 (one) post.
ii. Project Co-ordinator: 16 (sixteen) posts.

| Sl. No. | Sections | No. of questions | Total Mark |
|---|---|---|---|
| 1 | General Intelligence and Reasoning, Computer Aptitude | 25 | 25 |
| 2 | Quantitative Aptitude | 25 | 25 |
| 3 | English Language | 25 | 25 |
| 4 | Subject matter- Child Rights & Protection, Child related relevant domains. | 25 | 25 |
| | Total | 100 | 100 |

B. Scheme of Examination for the post of:
i. IT Supervisor: 1 (one) post.

| Sl. No. | Sections | No. of questions | Total Mark |
|---|---|---|---|
| 1 | General Intelligence and Reasoning | 25 | 25 |
| 2 | Quantitative Aptitude | 25 | 25 |
| 3 | English Language | 25 | 25 |
| 4 | Computer Aptitude | 25 | 25 |
| | Total | 100 | 100 |

C. Scheme of Examination for the posts of:
i. Call Operator : 12 (twelve) posts.
ii. Counsellor : 16 (sixteen) posts.
iii. Child Helpline Supervisor : 48 (forty-eight) posts.
iv. Case Worker : 48 (forty-eight) posts.

| Sl. No. | Sections | No. of questions | Total Mark |
|---|---|---|---|
| 1 | General Intelligence and Reasoning | 25 | 25 |
| 2 | Quantitative Aptitude | 25 | 25 |
| 3 | English Language | 25 | 25 |
| 4 | Subject Matter: Child Rights and Support Services | 25 | 25 |
| | Total | 100 | 100 |

D. Scheme of Examination for the posts of:
i. Multi-Purpose Staff : 3 (three) posts
ii. Security Guard/Night Guard : 3 (three) posts

| Sl. No. | Sections | No. of questions | Total Mark |
|---|---|---|---|
| 1 | General Knowledge | 50 | 50 |
| 2 | Basic Mathematics | 25 | 25 |
| 3 | English Language | 25 | 25 |
| | Total | 100 | 100 |

Question of subjects listed at Sl. 2 and 3 of 9 (D) above will be **Class X** Level. Questions of General Knowledge are to assess the candidate's knowledge on politics, history, geography, literature, sports, arts and culture etc.

**There will be no Personnel Interview except for the post of Helpline Administrator.**

10. Detailed Schedule:

| Sl. No. | Particulars | Period/Date |
|---|---|---|
| 1 | Last date of online application | 25/08/2026 |
| 2 | Last date of Issue of Admit Card | Will be notified later |
| 3 | Date of Written Test Examination & Personal Interview | Will be notified later |
| 4 | Venue of Examination: | Will be notified later |

11. Candidates may apply for one or more post within the given category **A, B** and **C.** The preferred post shall be indicated clearly as **Sl. No. 1, 2, 3 and so on.**

**Category A:**
i. Helpline Administrator.
ii. Project Coordinator.

**Category B:**
i. Call Operator.
ii. Counsellor.
iii. Child Helpline Supervisor.
iv. Case Worker (if applied with Graduate)

**Category C:**
i. Multi Purpose Staff.
ii. Security Guard/Night Guard.

12. For any change/notification, the same will be notified in the department's website www.socialwelfare.mn.gov.in. All concerned shall regularly check the above mentioned website for any update. Social Welfare Department will not take responsibilities for any missed update/notification.

SHakim
(Sheikh Abdul Hakim)
Director (Social Welfare),
Manipur.

### ষ্টেট সব-জুনিয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ:

# নুপামচাগী মোদেল ক্লব, য়ুঠ ক্লব, ৱাই ও এস সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চথরিবা ৩৯শুবা ষ্টেট সব-জুনিয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ (বোইজ এন্দ গালর্স) ২০২৬গী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী মেটচশিংদা মোদেল ক্লব, য়ুঠ ক্লব উরিপোক, ৱাই ও এস সি খুরাই অমসুং ই এস য়ু ৱাঙ্খৈ মায় পাকখিবগা লোয়ননা নুপীমচাগী অমত্তা ঙাইরবা মেটচতা নেতানা এল এম ৱাই ভি এবু মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী মেটচ অমদা মোদেল ক্লবনা এল এম ৱাই ভি এবু পোইন্ট ৪৮-১৫দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাল্লবা মোদেল ক্লবকী পোইন্টশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা ১৪, অনীশুবা ক্বার্টরদা ৬, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ১৬ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ১২ টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১০ কৈলুং, জর্সি নম্বর ৮ তোমথিন, জর্সি নম্বর ৬ কেন্নি, জর্সি নম্বর ১১ দিলবর্ট, জর্সি নম্বর ৯ এস অর্বিন অমসুং জর্সি নম্বর ১৪ হেমসননা স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা এল এম ৱাই ভি এগী পোইন্টশিং অদুনা অহানবা ক্বার্টরদা ৩, অনীশুবা ক্বার্টরদা ৩, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ৭ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ২ টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৪ মালেম, জর্সি নম্বর ৩১ ইরা, জর্সি নম্বর ১১ য়োহেনবা অমসুং জর্সি নম্বর ১০ তেলহৈবেনা স্কোর তৌখি।

অতোপ্পা মেটচতা ৱাই ও এস সিনা ই এস য়ুবু পোইন্ট ৭০-৪৪দা মায়থিবা পীখি। মায় পাল্লবা ৱাই ও এস সিগী পোইন্টশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা ১৪, অনীশুবা ক্বার্টরদা ২৪, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ২১ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ১১ টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৩ চিতন, জর্সি নম্বর ১৭ হিটলর, জর্সি নম্বর ১১ চিত্রভাস, জর্সি নম্বর ১৯ ওলান অমসুং জর্সি নম্বর ৭ চিঙ্খোঙনবনা স্কোর তৌখি।

মায়থিহৌরবা ই এস য়ুগী পোইন্টশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা ৮, অনীশুবা ক্বার্টরদা ৯, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ১৮ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ৯ টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৩ মঙালসনা, জর্সি নম্বর ১২ পনঙাকপা, জর্সি নম্বর ১১জিয়ুটনা স্কোর তৌখি।

মেটচ অমতদনা য়ুঠ ক্লবনা সি ৱাই এল সিবু পোইন্ট ৬২-১২দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাল্লবা য়ুঠ ক্লবকী পোইন্টশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা ২০, অনীশুবা ক্বার্টরদা ১৮, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ১৩ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ১১ টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১ শ্রীয়ান্স, জর্সি নম্বর ৩ নিশান, জর্সি নম্বর ৪ বিলগেট, জর্সি নম্বর ২৮ শ্রীয়ান্স, জর্সি নম্বর ২১ ধনরাজ, জর্সি নম্বর ২ মঙাল দব্লিউনা স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা সি ৱাই এল সিগী পোইন্টশিং অদুনা অহানবা ক্বার্টরদা ২, অনীশুবা ক্বার্টরদা ১, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ৪ অমসুং মঙাশুবা ক্বার্টরদা ৫ টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৯ থৌঙন্বা, জর্সি নম্বর ৭ রোনাল্ডো, জর্সি নম্বর ৫ য়াইফবা, জর্সি নম্বর ১৩ ভাগিভট অমসুং জর্সি নম্বর ১০ থোমাসনা স্কোর তৌখি।

নুপীগী অমত্তা ঙাইরবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা নেতানা এল এম ৱাই ভি এবু পোইন্ট ২৬-১৫দা মায়থিবা পীখি। মায় পাল্লবা নেতাগী পোইন্টশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা ২, অনীশুবা ক্বার্টরদা ১২, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ১০ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ২ টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১২ চিঙ্গুলেম্বী, জর্সি নম্বর ১৩ চনুখোম্বী, জর্সি নম্বর ৯ কোরৌঙানবী, জর্সি নম্বর ৭ অবেমবেমনা স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা এল এম ৱাই ভি এগী পোইন্টশিং অদুনা অনীশুবা ক্বার্টরদা ৯, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ৫ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ১ টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৪ মেরিন্দা, জর্সি নম্বর ২৮ বেলিয়া, জর্সি নম্বর ২৩ মিনন্দা অমসুং জর্সি নম্বর ৩০ হোশিকানা স্কোর তৌখি।

# ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনবা কোচিং কম ত্রাইয়েলদা শরুক য়াগদবা শান্নরোই ৪০গী মিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬-২৭দা শরুক য়াম্নবা ষ্টেটকী জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টিম শেম্নবগী কোচিং কম ত্রাইয়েলদা শরুক য়াগদবা শান্নরোই ৪০গী মিং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফ)না লাউথোকখ্রে।

অম্ফানা লাউথোকপদা য়াওখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপরদা আই দব্লিউ দি এফ এদগী থাংশাবম থোমাস মৈতৈ, য়ু সি এফ এদগী নিংঙোম্বম খেলেম্বা মৈতৈ, রিএল এফ এদগী সার্ফারাজ য়ুমখাইবম, দি এফ এ মোইরাংদগী লোংজম অবিনাস অমসুং ইমা এফ এদগী দোহেনবা মাইবমনি।

দিফেন্দরদা বি এফ এদগী খিথিবা কারাম অমসুং লাইশ্রম জিমেক্স সিং, দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী লময়ানবা ওইনাম, দি এ এস মোইরাংদগী শাগৌঙানবা নোংমাইথেম, দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী লিসম শ্রীনিভাস, এম য়ু এফ এদগী লাইশোম সুবাসন, আর এফ এদগী সিরোই খ্বাইরাকপম, কে এ এফ এদগী শগোলশেম মঙলেম্বা মৈতৈ, য়ু সি এফ এদগী থৌদাম অলবর্ট, নেরোকা এফ সিদগী ক্ষেত্রিময়ুম নোদিয়াচান্দ, কে আই এফ সি এফ এদগী অব্দুল গাফর, দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী বিকাস হুইদ্রোম, দি এস এ ককচিংদগী মণিথোইবা এলাংবম, আই দব্লিউ দি এফ এদগী খ্বাইরাকপম লনচেনবা অমসুং বি এফ এদগী নোংমাইথেম অবিজো সিংহনি।

মিদফিল্ডররদা বি এফ এদগী অমোম প্রিন্স, কে আই ৱাই সি এফ এদগী শঙ্গোমশুম্ফম দানিস, দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী ময়াংলম্বম লমঙানবা, দি এস এ ককচিংদগী হুইদ্রোম সলাইঙানবা মৈতৈ, দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী প্রবিন ৱারেপম, নেসুদগী থৌদাম বিনাবাস, কে এ এফ এদগী থিয়াম জেমসন মৈতৈ, খুমন এফ এদগী মাইবম সুরজ মৈতৈ, দি এস এ ককচিংদগী থিংনাম জোসুৱা, নেরোকা এফ সিদগী মুস্কান, আই দব্লিউ দি এফ এদগী শগোলশেম পিয়াসন অমসুং আর এফ এদগী চিংখাম ঙানবা মৈতৈনি।

ফোরৱার্দতনা আই দব্লিউ দি এফ এদগী পুখ্রম্বম ইন্দ্রসেন মৈতৈ, আই ৱাই এফ সিদগী চনম য়োহেনবা, দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী পোংশঙবম সদানন্দ, কে আই ৱাই সি এফ এদগী মুহামদ ইজাজুর রাহরমন অমসুং খুমন এফ এদগী থাংজম দীপকনি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ৮গী অয়ুক পুং ৮ তাবদা লম্লোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী মুহামদ জানে খাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## জুনিয়র বোইজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা নুপামচাগী টিম ১১না গ্রুপ-৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা ঙসিদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী খা-শঞ্জেনবমদা ৪৬শুবা জুনিয়র বোইজ ষ্টেট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ হৌখ্রে।

ওপনিং ওইনা শান্নখিবা গ্রুপ-সিগী মেটচ দি ভি এনা সি ৱাই সি সিবু সেট ৩-০ (২৫-১১, ২৫-১৪, ২৫-১৫)দা মায়থিবা পীখি। অনীশুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ-এগী শান্নখিবদনা পি ভি এনা ৱাই পি সিবু সেট ৩-২ (২৫-২১, ২০-২৫, ২৫-১৯, ২৩-২৫, ১৫-১৩)দা, অহুমশুবা মেটচতনা গ্রুপ-বিগী শান্নখিবদা পাসিনা এম আর সিবু সেট ৩-০ (২৫-১৮, ২৫-১৫, ২৫-১৬)দা মরিশুবা মেটচতনা গ্রুপ-সিগী শান্নখিবদা দি ভি এনা ইগলবু সেট ৩-০ (২৫-১৩, ২৫১৮, ২৫-১৫)দা থোয়খিবগা লোয়ননা ঙসিগী অরোয়বা মঙাশুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ-এগী শান্নখিবা ঐচ ভি এনা পি ভি এবু সেট ৩-২ (২৪-২৬, ২৪-২৬, ২৫-১৯, ২৮-২৬, ১৫-৯)দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা শঞ্জেনবম পুখ্রম্বম জি পিগী প্রধান নিংথৌজম বির্জিৎ মৈতৈনা প্রসিদেন্ট, ৱার্দ নম্বর ৩গী মেম্বর লাইশ্রম ভোগেননা চীফ গেষ্ট, ৱার্দ নম্বর ২গী মেম্বর নাওরেম নিলাচন্দ্র, ৱার্দ নম্বর ১গী মেম্বর লাইশ্রম জিতেন, রেফরি বোর্দকী চীয়ারমেন এল বালেশ্বর, অমভাগী প্রসিদেন্ট এস নন্দকুমার, সোসিয়েল ৱার্কর নিংথৌজম সরত, সি আর পি এফ নিংথৌজম দানেশ্বর, সোসিয়েল ৱার্কর নিংথৌজম মণিহার, সোসিয়েল ৱার্কর নিংথৌজম হেমন, সোসিয়েল ৱার্কর লাইশ্রম জরমন, মণিপুর রাইফলগী রিটির্য়দ নিংথৌজম ধানে অমসুং রিটিয়াদ এস আই নিংথৌজম মাইপাকনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

## অহানবা অন্দর-১৩ ওপন ইম্ফাল ৱেষ্ট চেছ চেম্পিয়ন্সিপ হৌখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট চেছ এসোসিয়েসননা শীন্দুনা দি চেছ একাদমি ওরিপোক কোন্সম লৈকাইদা অহানবা অন্দর-১৩ ওপন ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ হৌখ্রে।

নুপামচা ২৩ অমসুং নুপীমচা ৭ য়াওনা পূন্না শান্নরোই ৩০না শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা রাউন্দ ৪ লোয়বা ফাওবদা মঙাল এলাংবম, লেম্বা শৌগাইজম অমসুং অনিস শেঞ্জমনা পোইন্ট ৩ / ৩ ফংদুনা লৈখিবগা লোয়ননা দিনেস চবুংবম, করিয়স কেনোপস টিঐচ, সৌবাম তোমথিনঙানবা লুৱাং,ষ্টেনলি মীথোইবা লৌরেম্বম, সাইরস থিয়াম, রাজকুমার পাইখোম্বা, নেলসন পোংশঙবম অমসুং য়াইফবা য়ুম্নামনা পোইন্ট ২ / ২ ফংনরি।

## কংলৈশাগী শান্নরোই ৫ অমদি ওফিসিয়েল অমা ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ৭তগী ৮ ফাওবা কথমন্দু ত্রিপুরেশ্বরদা লৈবা দশারথ ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদবা ২শুবা সাউঠ এসিয়ন ওপন ইন্টরনেসনেল করাতে চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওগদবা মণিপুরগী কঙলৈ স্পোর্টস একাদমি (কঙলৈসা)গী শান্নরোই ৫ অমসুং টিম মেনেজর অমা য়াওনা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ইম্ফাল থাদোকখ্রবা ষ্টেটকী করাতেকাশিং অদুদি য়াইফবা থোকচোম, কোরৌঙানবা খাইদেম, মানিংঙানবা লাইশ্রম, চিঙাখম দুমব্রাজ অমসুং সনাশম য়াইফবানি। য়াইফবা থোকচোম তোম্বিসনাগী মচানুপানি। কোরৌঙানবা খাইদেম রোমিওগী মচানুপানি। মনিংঙানবা লাইশ্রম সঞ্জয়গী মচানুপানি। দুমব্রাজ চিঙাখম দেৱানগী মচানুপানি। সনাশম য়াইফবা সোনামণি সনাশমগী মচানুপানি।

ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অদুদা টিম মেনেজর ওইনা শরুক য়াখিবা খাদাংবম সঞ্জিৎ মৈতৈনা ফোঙদোকখিবা ইন্দিয়াগী প্লেয়র ৩০গী মনুংদা মণিপুরদগী নুপী অমা য়াওনা শান্নরোই ৬ খল্লকখিবনি। অদুবু শেল-থুমগী ফিভমনা নুপী শান্নরোই অদুদি চৎপা ঙমখিদ্রে। চহী ৩ শুরক্লবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা শান্নরোইশিংনা মপান লমদা টুর্নামেন্টনা চিংবা য়াওবা চৎপা মতমদা ফ্লাইট তোংলগা চৎপনিনা হেন্না শেল চঙই। মখা লন্বীদা চৎপদা শান্নরোই অমনা লুপা লিশিং ১৫দগী ২০ রোম চঙলম্বা অদু হৌজিক্তি ফ্লাইটতা চৎপা মতমদা য়ামদ্রবদা লুপা লিশিং ৪০দগী ৫০ ফাওবা চঙই। মরম অদুনা শান্নরোই কয়া অমা অসিগুম্বা কম্পিটিসনশিং চৎপা ঙল্লক্তবসগী শান্নরোই কয়া মাঙখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা শান্নরোইশিং অসিগী খনবিদুনা ফ্লাইট টিকেটতা কন্সেসন পীবনবা চীংবা স্কিম খরসু লৌখৎহনিংই হায়না সঞ্জিৎনা মখা তারক্লি।

## ওল ইন্দিয়া ইন্দিপেন্দেন্স কপ করাতে চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী শান্নরোইশিংগী মিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ সৈকো কাই করাতে ফেদরেসন ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা করাতে ইন্দিয়া ওগর্নাইজেসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৭তগী ৯ ফাওবা ন্যু দিল্লিগী তালকতোরা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদবা ২০শুবা ওল ইন্দিয়া ইন্দিপেন্দেন্স কপ করাতে চেম্পিয়ন্সিপ (কুমাইট এন্দ কতা) ২০২৬তা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী করাতেকাসশিংগী মিং ঙসি মণিপুর এমেচর করাতে-দো এসোসিয়েসননা লাউথোকখ্রে।

ষ্টেটকী করাতেকাসশিং অদুদি এমদি কে অবুবাকর, অলফ্রেদ থোঙাম, অরিস থোঙামনা কুমাইটতা, অশাকিরন রাজকুমারী, ভগ্যারাজ রাজকুমার, বিকাস অথোকপমনা কুমাই অমসুং কাতাদা, ব্লদি লৈমাজম, বোবি মোইরাংথেম, চলাম্বা নামৈরাকপমনা কুমাইটতা, লক্ষিতা ককচিংতাবম, লাঙলেনসনা হুইদ্রোম, লৈশেম্বা লৈশাংথেম, লিলি চনু নিংঙোম্বম অমসুং মণিরাজ সৌগ্রাকপমনা কুমাইট অমসুং কতাদা।

এমদি অমির খান, নিংথৌজম মাকোপোলো, রাচনা ছেত্রি,রাজলক্ষমি রাজকুমারী, রিকেস থৌদাম, ষ্টার্টর সাপম, য়োইময়াই সোইবম, য়ুমলেম্বম মণিথোইবা, লনচেনবা লুৱাং, জাউল হক সৈখনা কুমাইটতা অমদি দাইনা খুমুকচমনা কুমাইট অমসুং কতা অদুগা য়াইফবা লাইশ্রমনা কতাদা শরুক য়াগনি।

ষ্টেটকী টিম অসিদা সোইবম বিদেশ্বরী চনু, লাইময়ুম জোতিনকুমার শর্ম্মা অমসুং কোরিময়ুম নিংথৌমনা রেফরি অমদি টিঐচ নিশিকান্তা মৈতৈনা কোচ ওইনা শরুক য়ারি। ষ্টেটগী টিম অসি ঙসি দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না মাকাগী জেনরেল সেক্রেটরী মুতুম বঙ্কিমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## মোহমদ সলাহ ত্রেবজোনস্পোরদা শান্নরগনি

ইস্তাবুল, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সি)ঃ ইজিপ্তকী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোই ওইবতা নত্তনা লিভরপুলগী হান্নগী ষ্টার প্লেয়র মোহমদ সলাহ টর্কিকী ফুটবোল ক্লব ত্রেবজেনস্পোরগা চহী ২গী কন্ট্রেক্ট সাইন তৌনখ্রে।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা ইজিপ্তসিয়ন ফুটবোল প্লেয়র মোহমদ সলাহ লাক্লিবা ওগষ্ট থাগী অরোয়বা চায়োলদা য়ুরোপ্পা লীগকী প্লে ওফদা শরুক য়ারগনি। ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী খ্বাইদগী অনীশুবা মমল তাংবা প্লেয়র মোহমদ সলাহ টর্কিসকী ফুটবোল ক্লব ত্রেবজোনস্পোরদা কন্ট্রেক্ট সাইন তৌনখিবগী ফংফম থোকপা শেনফম অদুগী মথক্তা সিজন টর্কি লীগকী সিজন অমগী ওইনা পূন্না ১৭ মিল্লিয়ন য়ুরো ফংগনি হায়না টর্কিস ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। অসিগী মথক্তা ক্লব অসিগী জর্সি অমদি মার্চেন দাইজতগী কারকপা রিভিন্যুগী শেনফম চাদা ২০ মোহমদ সলাহনা ফংগনি হায়নসু পাউ অসিন হায়রি।

## ষ্টেটকী পৱারলিফটিং শান্নরোইশিং খনখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়ন পৱারলিফটিং ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা দিল্লিগী নেতাজি সুভাস প্লেস প্রিতমপুরদা চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ৭তগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদবা সেনিয়র নেসনেল পৱারলিফটিং (ইক্যুপ এন্দ অনইক্যুপ) এন্দ নেসনেল বেঞ্চ প্রেস এন্দ দেদলিফট (অন-ইক্যুপ) মেন এন্দ ৱুমেন (ওল এজ গ্রুপ) চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা শরুক য়ান্নবা ষ্টেটকী পৱারলিফটিংশিং পৱারলিফটিং এসোসিয়েসন মণিপুরনা খনখ্রে।

খল্লবা নুপা পৱারলিফটরশিং অদুদি অপূনবা জিমদগী আরকে অথৌবা, এম পি এস সিদগী এন কর্ণজিৎ অমসুং এম মুরগেসন, মাউন্তেইন জিমদগী এম বোবো, য়ুনাইটেদ জিম বিষ্ণুপুরদগী এল ইন্দ্রকুমার, এম পি এস সিদগী দব্লিউ জয়েন্তকুমার, এ কে অজয়, য়ুনাইটেদ জিম বিষ্ণুপুরদগী এল গিনোৎ, এম পি এস সিদগী টিঐচ জেৱাল, কে প্রেমজিৎ, প্রামেস অরাম্বম, এ জোন ফেল্লো, এল বোবি, এম প্রাসান্তা, ঐচ ইরাবন্তা,ভাইকিং সলাম, য়ুনাইটেদ জিম বিষ্ণুপুরদগী এম জোসেপ, এস শ্রীতিশনি।

নুপী পৱারলিফটরশিং অদুদি অপূনবা ফিটনেসগী জয়শ্রী, মাউন্তেইন জিমদা এন গোল্ডি, এম পি এস সিদগী ঐচ দয়ারানি, এম পি এস সিদগী কেঐচ সুনিতিবালা, এম অরাধানি, টিঐচ তাবাবি, চুমথাং জিমদগী দব্লিউ লাঙলেন, মাউন্তেইন জিমদগী এল রেবিতা, এম পি এস সিদগী ৱাই ওমিকা, ও কলপ্না, অপূনবা ফিটনেসতগী পি ওলিভিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ জিমদগী অঙলিলিনানি।

টিম ওফিসিয়েলদা টিম কোচতা টিঐচ প্রেমমোজিৎ, টিম মেনেজরনা প্রামেস অরাম্বম অমদি এসিষ্টেন্ট মেনেজরনা এনজি কুঞ্জাবিহারিনি।

## জোশ বত্তলরনা টি-২০দা মকোক থোংবা মফম কনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সি)ঃ ইংলেন্দগী শান্নরোয় জোশ বত্তলরনা হান্নগী টোপ স্কোরর ওইরম্বা ৱেষ্ট ইন্দিজগী মশক নাইরবা ওল রাউন্দর কাইরন পোল্লার্দ তুংওইনরম্লগা টি-২০ ফোরমেটতা মকোক থোংবা মফম কনখ্রে।

জোস বত্তলরনা টি-২০ ফোর্মেটতা মেটচ ৫২২ শান্নবদা সেঞ্চুরি ৯ অমদি হাল্ফ সেঞ্চুরি ১০৫ য়াওনা পুন্না রন ১৪,৮৩৩ লৌদুনা মাঙজিল থাবা শান্নরোয় ওইখি। মমাঙদা ৱেষ্ট ইন্দিজকী ওল রাউন্দর কাইরোন পোল্লার্দনা মেটচ ৭৪৬ শান্নবদা সেঞ্চুরি ২ য়াওনা রন ১৪,৮০৩ অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজগী খৃষ্ট গেলনা মেটচ ৪৬৩ শান্নবদা সেঞ্চুরি ২২ অমদি হাল্ফ সেঞ্চুরি ৮৮ দা পুন্না রন ১৪,৫৬২ লৌদুনা মকোকথোংবা শান্নরোয়শিং ওইরমখি।

জোস বত্তলরগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মকোক থোংবা মফম অসি ৱেলস ফাইয়রগা শান্নখিবা মেটচতা বোল ২০ মায়োক্লবদা নোট আউততা রন ৫১ লৌদুনা ফংখিবনি। দি হন্দ্রেদ ক্রিকেট লীগ অসি য়ুনাইটেদ কিংদমদা পাঙথোকপা ক্রিকেট লিগ অমনি।

# নেসনেল স্পোর্টস দিলভপমেন্ট ফন্দ লুপা ক্রোর ৩৭.০২দা হায়থখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সি)ঃ হৌখিবা চহী ৩ অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নেসনেল স্পোর্টস দিপভলমেন্ট ফন্দ থাদবগী চাং হান্নগা য়েংন্নরুব্বদা অদুক্কী মতিক হন্থখ্রে।

হৌখিবা শেনবা চহী ২০২৩-২৪দা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নেসনেল স্পোর্টস দিভলপমেন্টদা থাদখিবা শেনফম য়েংনরুব্বদা চহী ৩ অসিদা চাদা ৫০দগী হেন্না হায়থখ্রে। চহী ৩ অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নেসনেল স্পোর্টস দিলভপমেন্ট ফন্দদা থাদবা ফন্দ অদুক্কী মতিক হন্থখিবা অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মথৌ তাবা পাউখুম পীখিদ্রে।

হৌখিবা জুলাই ২০দগী হৌদুনা চথরকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম অসিগী মনুং চন্না লোক সভাগী নোংজু মীফমদা কেরলাগী এম পি এন্তো এন্তোনিনা জেরো অৱারগী মতমদা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর মন্সুক মন্দাবিয়ানা নেসনেল স্পোর্টস দিলভপমেন্ট ফন্দদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থাদবা শেনফম হান্নদগী হন্থখ্রে হায়না পাউখুম পীরকখিবনি।



হৌখিবা শেনবা চহী ২০২৩-২৪দা এন এস দি এফদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পূন্না লুপা ক্রোর ৮৫.২৬কী শেনফম থাদখি। অদুগা শেনবা চহী ২০২৪-২৫তা পূন্না লুপা ক্রোর ৭০.১৬গী শেনফম অমসুং শেনবা চহী ২০২৫-২৬তা শুপ্নতগী লুপা ক্রোর ৩৭.০২দা হায়থরকখিবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর মান্সুক মান্দাবিয়ানা পাউখুম পীরদুনা হাউসতা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা শান্ন-খোৎনবগী লমদা শীজিন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা প্রাইভেট কোর্পরেট অমদি পাব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিং (পি এস য়ু)গী মায়কৈদগী এন এস দি এফতা লেপ্পা লৈতনা য়াম্লবা দোনেসনগী শেনফম কয়া লাক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

পি এস য়ু অমদি প্রাইভেট কোর্পোরেট দোনরশিংদগী হন্নাগী মতৌগুম লেপ্তনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা হেন্না চাউখৎনবগীদমক য়াম্লবা শেনফম কয়া দোনেট তৌদুনা লাকখ্রবসু হৌখিবা চহী অনী অহুম অসিদা মপুং ওইনা দোনেসন তৌরক্লিবা পি এস য়ু অমদি প্রাইভেট কোপোরেট দোনরশিং অসি সুপ্নতগী মমিং লৈবা অমা অনী খক্তনি হায়বা মিনিষ্ট্রি অসিগী লৈরিবী ৱেবসাইদতগী উবা ফংলি।

হৌখিবা চহী ২০২১ অমদি ২০২৪দা এন এস দি এফতা মিনিষ্ট্রি ওফ পৱারগী মখাদা আর ই সিগী সি এস সি ফন্দ ওইনা আর ই সি ফাউন্দেসনদগী পূন্না লুপা ক্রোর ৯৯ দোনেসন তৌদুনা খ্বাইদগী চাউনা দোনেসন তৌবা থেংনরি। আর ই সি ফাউন্দেসনগী মতুং কোল ইন্দিয়া লিমিটেদনা হৌখিবা শেনবা চহী ২০১৬-১৭ অমদি ২০২৩-২৪দা পূন্না লুপা ক্রোর ৭২.৮৫কী শেনফম দোনেসন তৌদুনা খ্বাইদগী চাউনা দোনেসন তৌবা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী দটাদা য়াওরি।

লৈবাক অসিগী ক্রিকেট মশান্নগী খ্বাইদগী চাউবা ক্রিকেট বোর্দ অমা ওইরিবা বি সি সি আইগী মায়কৈদগী এন এস দি এফতা হৌখিবা চহী ২০০৭-২০০৯দা পূন্না লুপা ক্রোর ৫০ কন্ত্রিব্যুসন তৌখি।

এন এস দি এফতা দোনেসন তৌবা প্রাইভেট সেক্টরশিংগী মনুংদা জি পি স্পোর্টস ইন্টরনেসনেল লিমিটেদনা হৌখিবা চহী ২০১১ অমদি ২০১৩দা এন এস বি এসতা পূন্না লুপা ক্রোর ৩০গী শেনফম পীখি। লৈবাক অসিগী মমিং লৈবা তোঙান তোঙানবা প্রাইভেট সেক্তর কম্মনিশিংগী মনুংদা ইন্দিয়া ইনফ্রাষ্ট্রক্সচর ফাইনান্স কো.লিমিটেদনা ক্রোর ৩০, এন টি পি সিনা হৌখিবা চহী ২০২২-২০২৫তা লুপা ক্রোর ২২.৫০, ও এন জি সিনা হৌখিবা চহী ২০১৯-২০ অমদি ২০২৩-২০২৫দা পূন্না লুপা ক্রোর ১৫.৮৪গী শেনফম এন এস দি এফতা দোনেট তৌখি।

য়ু ইন্দিয়া ইন্সুরেন্স কো লিমিটেদনা হৌখিবা চহী ২০১৬ অমদি ২০২৫দা পূন্না লুপা ক্রোর ১৯.০৪গী শেনফম দোনেসন তৌবগী মথক্তা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অমদি অতোপ্পা ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুট কয়ানা এন এস দি এফতা দোনেসন তৌখিবগী দটা স্পোর্টস মিনিষ্টর মন্সুক মান্দবিয়ানা পালিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা থমখিবা অইবা চেরোল অদুদা য়াওবা থেংনরি।

হৌখিবা চহী ৫ অসিদা এন এস দি এফনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা সিভিল সার্ভিস ওফিসার, ইন্সটিট্যুট, সি এস ও আইগী জিম ইক্যুপমেন্ট য়াওবা স্পোর্টস ফেসিলিটি নৌনা শেমগৎ শাগৎনবা অমদি ভেনোভেসন তৌনবগীদমক পূন্না লুপা ক্রোর ৩.০১ শেঙ্কসন তৌখিবগী রেকোর্দসু য়াওরি। হৌখিবা চহী ২০২১দগী হৌরগা ২০২৫ ফাওবদা এন এস দি এফনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা মফম কয়াদা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস ফেসিলিটি শেমগৎ শাগৎনবগী লুপা ক্রো কয়াগী শেনফম কায়থোকখ্রে হায়নসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মান্সুক মান্দবিয়াগী পাউখুম অসিদা য়াওরবসু করিগীদমক এফ দি এসতা হান্নদগী য়াম্লা হন্থনা ফন্দিং তৌবনো হায়বগী মতাংদা মরিকুম্বা পাউখুম অমত্তা থেংনদ্রি।

## শিলৈমা চনুনা ইন্দিয়া জুনিয়র হোক্কী ৱুমেন'স টিমগী কেপ্টেন ওইরগনি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সি)ঃ চাইনাগী মোকিদা পাঙথোক্কদবা জুনিয়র ৱুমেন্স হোক্কি এসিয়া কপ ২০২৬তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপী জুনিয়র হোক্কি টিম মণিপুরগী মিদফিল্ডর খাইদেম শিলৈমা চনুনা লুচিংলগনি।

ইন্দিয়ন টিমগী ওইনা য়েংবদা চহী অসিদা কন্টিনেন্টেল চেম্পিয়নন্সিপ অসিনা খ্বায়দগী চাউবা টুর্নামেন্ট ওইবগা লোয়ননা অনৌবা হেদ কোচ হ্বাইটনা মতম শাংনা টিমবু শেম শারক্লিবা অসিগী অচৌবা চাংয়েং ওইগদৌরি।

ইন্দিয়ন টিমদা খনগৎখ্রবা শান্নরোয়শিংদি গোলকিপ্পরদা নিধি, এঞ্জিল হর্সা অমসুং রানি মিঞ্জনি। দিফেন্দরদা পুজা সাহু, সুপ্রিয়া, পুজা মালিক, পার্ৱটি টোপনো অমসুং মধুনি। মিদফিল্ডরদা কেপ্টেন খাইদেম শিলৈমা চনু, টনুজা টোপ্পো, বিনিমা ধান, রোস্নি আইংদ অমসুং গিটা য়াদবনি।

ফোরৱার্দতনা লালরিনপুই, পুর্ণিমা য়াদব, সুখভির কোর, কৃষ্ণ শর্ম্মা, সানিকা চন্দ্রকান্ট মানে অমসুং মধু সিদরনি। মদুগী মথক্তা এফ লালব্যাকস্যামি অমদি টনুশ্রী দিনেশ কাদুবু ইন্দিয়ন টিমদা অল্টর্নেট প্লেয়রশিং ওইনা খনগৎখ্রে। ইন্দিয়ন টিমনা জুনিয়র ৱুমেন্স হোক্কি এসিয়া কপ ২০২৬কী প্রিপেরেসন ওইনা স্কোটলেন্দ, ইংলেন্দ, বেলজিয়ম অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মেটচ তরেৎ শান্নখি।

ইন্দিয়াগী নুপীমচা টিমনা স্কোটলেন্দগী সেনিয়র নুপী টিমগা মেটচ অনী শান্নরবা মতুং ইংলেন্দদা অমুক চৎতুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ইংলেন্দ অমদি বেলজিয়মগী জুনিয়র টিমশিং মেটচশিং শান্নখি।

ইন্দিয়াগী নুপী জুনিয়র হোক্কি টিমনা হৌখিবা জুলাই ৫দগী ১৪ ফাওবা য়ুনাইটেদ কিংদমদা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদসু খাইদেম শিলৈমা চনুনা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংখি।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com